# এস ঐচ মনি শর্ম্মা নীংশিং থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগতা কে এস ৱাই সি অমদি ৱাই এ সি দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী টিম ১১ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা কে ৱাই সি (এন) গ্রাউন্দ খুরখূলদা চথরিবা অহুমশুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা নীংশিং থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কে এস ৱাই সি হিয়াংথাং অমদি ৱাই এ সি য়ুরেম্বম দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা জুবেনাইল তেরা মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফঙখ্রে।

লীগ অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা কে এস ৱাই সি হিয়াংথাং অমদি ৱাই এ সি য়ুরেম্বমনা শান্নখিবা গ্রুপ–এগী মেটচতা নাকল অনীনা গোল ১–১ চন্নারগা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা কে ৱাই সি (এন) গ্রাউন্দ খুরখূলদা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্নিং চিংশিনখি।

টিম অনীমক্না মাগী–মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চথন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওম্থোকপা ঙম্নদনা মেটচ অসি অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ৱাই এ সি য়ুরেম্বমনা অনৌবা লাঙলোন শীজিন্নরক্তুনা খোঙজেল য়াঙনা শান্নরক্তুনা কে এস ৱাই সি হিয়াংথাংবু লাকশিনখিবনা মিনট ৫৮ চৎপদা ৱাই এ সিগী জর্সি নম্বর ৬ কে ঐচ রাজুনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অদুবু কে এস ৱাই সি হিয়াংথাংনা চপ চাবা পাওখুম পীদুনা অহানবা গোল চনখ্রবা মতুংগী অতেনবা মিনট ৫৯ দা হিয়াংথাংগী জর্সি নম্বর ২০ ই মোতিলানা গোল হন্দোক্তুনা ১–১ দা মান্না লৈন্নখি।

মেটচকী অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা নাকল অনীমক্না অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী মেটচ অসি দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

মেটচ অসিদা কে এস ৱাই সি হিয়াংথাংগী জর্সি নম্বর ১৫ এল জয়জিৎ, জর্সি নম্বর ১১ ই অলবার্ট, জর্সি নম্বর ২০ ই মোতিলা অমসুং ৱাই এ সি য়ুরেম্বমগী জর্সি নম্বর ৭ এম হেনরিদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এস ঐচ সুরেস, এস তোম্বী, এস প্রেমকুমার অমদি এস ঐচ জোশিনা মথংশিংনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগকী অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা সন ক্লব মোঙশাঙ্গৈ অমদি জুবেনাইল তেরানা শান্নখিবা গ্রুপ–এগী মেটচতা জুবেনাইলনা সন ক্লববু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসি হৌরকপদগী হৌনা জুবেনাইল তেরানা সন ক্লব মোঙশাঙ্গৈবু লাকশিন্না শান্নদুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎনখিবনা মেটচকী অঙনবা মিনট ৫ চৎপদা জুবেনাইলগী জর্সি নম্বর ৭ সিরিনমিনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল একাউন্ট হাঙখ্রবা মতুংগী মিনট ৮ কান্নরগা ১৩ চৎপদা জুবেনাইলগী জর্সি নম্বর ৯ অজয়না টিমগী অনীশুবা গোল অদু চনখি।

অহানবা হাল্ফ অসিগী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ২৩ দা শিরিনমিনা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা টিমগী অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা জুবেনাইল তেরানা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্দুনা শান্নরক্তুনা মিনট ৪৫ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৫ সোমেসনা মরিশুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১৪ সনাতোম্বানা মঙাশুবা গোল অদু চন্দুনা মায় পাকপগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোনখি।

মেটচ অসিদা সন ক্লব মোঙশাঙ্গৈগী জর্সি নম্বর ১৫ লনচেনবাদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এস ঐচ জোশি, এস প্রেমকুমার, এস তোম্বী অমদি এস ঐচ সুরেসনা মথংশিংনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবদা গ্রূপ–বিগী য়ু এস সি অমদি এম এস সিনা অহানবা গ্রাউন্দা শান্নগনি অদুগা নুংথিল পুং ২ তাবদা গ্রূপ–এগী এস ৱাই সি এস অমদি ই এস এনা অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নগনি।

## অম্ফাগী গ্রাস রুট লীদরস খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)গী মীৎয়েং মখাদা পাখঙবা কলচরেল ক্লব (পি সি সি) ক্বাকৈথেল ময়াই কোইবীনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা পাঙথোক্কদৌরিবা অম্ফা গ্রাস রুট প্রোগ্রাম ফোর কিদস (বোইজ এন্দ গর্লাস)কী চহী ৬ তগী ৮, ৯ দগী ১০ অমসুং ১১ দগী ১২ গী ওইনা গ্রাস রুট প্রোগ্রমা অসিবু কন্দক তৌগদবা গ্রাস রুট লীদর ৩ গী মিং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা লাওথোক্লে।

গ্রাস রুট লীদরশিং অদুদি টি ঐচ সিতলজিৎ সিংহ, এম চিঙশাংখোম্বা সিংহ অমদি এ জোন্সন সিংহনি। হায়রিবা গ্রাস রুট লীদরশিং অসি থা অসিগী ১৬গী অয়ুক পুং ৮ তাবদা পি পি গ্রাউন্দ ময়াইকোইবীদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

## ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ৫ দগী লম্ফেলদা লৈবা ওফিসর ক্লবতা চথরকপা ৩৯ শুবা ষ্টেট ওপন কেস প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ গী হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদগী চহী ৪৫ দবলসকী ফাইনেল অমসুং মেন’স ওপন সিঙ্গলসগী ফাইনেল শান্নরগনি হায়রি।

চহী ৪৫ দবলসকী ফাইনেলদা রাকেস অমদি ইবোতোনগী জুরানা তুলে অমদি কাঙজম্বাগী জুরাগা শান্নগনি অদুগা মেন’স ওপন সিঙ্গলসগী ফাইনেলদনা টি ব্রোজেন্দ্রো অমদি ঐচ বুসননা শান্নগনি।

# ভি এ এগী সুশিত্রনা ৫০ প্লস ৫০ মিটর কম্পাউন্দ গালর্সতা গোল্ড মেদল লৌখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ মণিপুর আর্চরি এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা বিকাস আর্চরি একাদেমিনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী পোরোম্পাৎতা লৈবা ই ৱাই সি এগী গ্রাউন্দা য়ুনিট ১৪ দগী লাকপা নুপা আর্চর ১০৮ অমসুং নুপীমচা আর্চর ৬৫ পূন্না আর্চর ১৬৪ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৩৪ শুবা জুনিয়র বোইজ এন্দ গালর্স ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ৫০ প্লস ৫০ মিটর কম্পাউন্দ গালর্সতা ভি এ এগী টি সুশিত্রনা স্কোর ৬৬৯ ফঙদুনা অহানবা, এ সি ইগী লাইশ্রম দুনিলানা স্কোর ৬৫২ (X - 12, 10-13) ফঙদুনা অনীশুবা অমসুং য়ু এ সিগী এন বিরোনিকানা স্কোর (X - 9, 10-11) ফঙদুনা অহুমশুবা তাখি।

৫০ প্লস ৫০ মিটর কম্পাউন্দ বোইচতা য়ু এ সিগী আর কে প্রিয়োবত্রনা স্কোর ৬৭১ ফঙদুনা অহানবা, ভি এ এগী ও হেন্নরিনা স্কোর ৬৬৫ ফঙদুনা অনীশুবা অমসুং সাই আর সিগী টি ঐচ সুরজ ঙানবনা স্কোর ৬৬৪ ফঙদুনা অহুমশুবা তাখি।

৭০ প্লস ৭০ মিটর রিকপ গার্লসতা ভি এ এগী কে এস ঐচ মঙলেমসনানা স্কোর ৬১৭ ফঙদুনা অহানবা, এন এস এগী ৱাই অনুপামা দেবীনা স্কোর ৫৮৮ ফঙদুনা অনীশুবা অমসুং সাই আর সিগী লুমমিলা পুঙশোকনা স্কোর ৫৭৫ ফঙদুনা অহুমশুবা তাখি।

৭০ প্লস ৭০ মিটর রিকপ বোইজতা এন এস এগী এ কে অমরজিৎনা স্কোর ৬০১ ফঙদুনা অহানবা, য়ুনিট অসিগী এল নেলসননা স্কোর ৫৮৯ ফঙদুনা অনীশুবা অমসুং সাই আর সিগী দব্লিউ লিয়োনাটনার স্কোর ৫৮৮ ফঙদুনা অহুমশুবা তাখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি হয়েং লোয়শিনবগী থৌরমদা খেক্মিগাও কেন্দ্রগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎ, মণিপুর আর্চরি এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট বি কে শর্ম্মা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পারিষদগী দিপুটি অধক্সা কে এস ঐচ তিলোতমা, খুরাই খাইদেম লৈকাই জিপিগী জিলা পারিষদ এম তোম্বা সিংহ, খুরাই খাইদেম লৈকাই জিপিগী প্রধান মুক্তা রাজ কুমারি অমদি তোপ নাওরিয়া জিলা পারিষদকী প্রধান এম দিনা চন্দ্রনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াগনি।

# মঙাশুবা এ ইবোতোন য়ু–১৫ বোইজ মেমোরিয়েল ফুটবোল লীগ ২০১৯দা কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাই মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী টিম ৭ না গ্রূপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৫ শুবা এ ইবোতোন য়ু–১৫ বোইজ মেমোরিয়েল ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাই মায় পাকখ্রে।

লীগ অসিগী ৮ শুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ–এগী কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাই অমদি য়ু ৱাই দি সি উপোকপীনা শান্নখিবা মেটচতা কে ৱাই ভি ওনা য়ু ৱাই দি সিবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অঙনবা মিনট ৫ চৎপদা কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাইগী জর্সি নম্বর ৪ এ অবিনাসনা মেটচগী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং মিনট ১২ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১০ এন এদিসননা অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী মিনট ২০ চৎপদা এ অবিনাসনা মহাক্কীনা অনীশুবা অমদি টিমগীনা অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৩৪ চৎপদা ক্বাসিফাইগী জর্সি নম্বর ২৫ টি বিকাসনা টিমী মরিশুবা গোল চনখ্রবা মতুংগী মিনট ২ কান্নরগা ৪০ চৎপদা য়ু ৱাই দি সি উপোকপীগী জর্সি নম্বর ১০ প্রবিননা গোল ১ হন্দোক্তুনা ৪–১ দা লৈদুনা মেটচকী লমজেলদা লাক্লবা হোৎনখ্রবসু ক্বাসিফাইগী বিকাসনা মিনট ৪৭ দা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা টিমগী ৫ শুবা গোল অদু চন্দুনা মেটচ অসি মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা মায়থিরবা য়ু ৱাই দি সি উপোকপীগী জর্সি নম্বর ৯ বিশ্বনাথতা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

## ভিদারভানা মণিপুরবু মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ বোদ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ৭ তগী চথরকখিবা সাহিদ মুসতাক অলি ট্রোফি ২০১৯–২০গী ৪৩ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি ত্রিভান্দ্রমদা লৈবা সেন্থ জাবির কে সি এ ক্রিকেট গ্রাউন্দা গ্রূপ–বিগী শান্নখিবা মেটচতা ভিদারভানা মণিপুরবু রন ৭০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা ভিদারভানা বেট্টিং হান্না পায়বদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৫০ লৌখি। মসিগী পাওখুমদা মণিপুরনা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৮০ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ৭০ দা মায়থিবা নঙহৌখি।

ভিদারভাগী বেট্টিংদা জিতেস শর্ম্মানা নোট আউটতা রন ৭৩ লৌখি অদুগা রাজকুমার রাথোদনা রন ২৬, ফজানা ২৪, কোলহারনা ১২, কদাপানা ৬ অমসুং শ্রিভাসতভানা রন ২ লৌখি।

মণিপুরগী বেট্টিংদা এস জয়েন্ত সিংহনা রন ৩৬, অবুল হকিম মুতুমনা রন ১২ লৌখিবা অসিনা মণিপুরগী বেট্টিংদা রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা বেসমেন ওইখি।

মণিপুরগী মথংগী মেটচ হয়েং কেরেলাগা ষ্টেদিয়ম অসিমক্তাদা শান্নরগনি।

## মণিপুর য়ুনিভর্সিটি জুদো টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বরদা কানপুরগী সি এস জে এমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি জুদো মেন এন্দ ৱুমেন টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০ দা শরুক য়ান্নবগীদমক মণিপুর য়ুনিভর্সিটি জুদোগী মেন এন্দ ৱুমেন টিম শেমখ্রে।

খনগৎখ্রবা জুদোকাশিং অদুদি– নুপাগীদা ইম্ফাল কোলেজগী কে ঐচ চিঙলেন (কেজি ৫৬), প্রভাপটি কোলেজগী জাসৱাল (কেজি ৬০), এম এল সিগী দব্লিউ রনবির (কেজি ৬৬), কোলেজ অসিগী থোইথোইবা (কেজি ৭৩), কোলেজ অসিগী ও দিমান (কেজি ৮১), কোলেজ অসিগী এন জি দিপক (কেজি ৯০), এম য়ুগী সি ঐচ থোইবা (কেজি ১০০) অমদি মণিপুর কোলেজগী টি ঐচ রিশিকান্ত (ওপন) নি।

নুপীগীদা এম য়ুগী এন সিমা (কেজি ৪৪), বি এম সিগী পি ঐচ অরুনা (কেজি ৪৮), এম য়ুগী অসমা বেগম (কেজি ৫৭), প্রবাপটিগী এন প্রেমলতা (কেজি ৭০) অমদি কে কে সিগী শিন্থাঙম্বী (কেজি ৭০ মথক)নি।

হায়রিবা জুদোকাশিং অসি থা অসিগী ১৫গী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা এষ্টিটেন্ট ডাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস এম য়ুদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# লিভরপুলনা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা প্রেমিয়র লীগ টাইতলগী কেম্পন হেন্না কনশিনখ্রে



লিভরপুল, নবেম্বর ১১ (এজেন্সি)ঃ হৌখিবা নোমাইজিং নুমিৎতা এন্দফিল্ড শান্নখিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মেটচ অমদা য়ুম্বু লিভরপুলনা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ফাবিনহো অমদি মোহমদ সলানা অহানবা হাল্ফতা অমসুং সাদিও মানেনা অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা লিভরপুলগী গোলনা টিম অসিনা সিজন অসিদা মেটচ ১২ শান্নবদা মায়থিবগী মহাও খঙদনা লাকখিবা লম্বীদা অদুমক মখা শমথদুনা টেবলগী অহানবা মফমদা পোইন্ট ৩৪ ফঙখ্রে।

মেটচকী মিনট ৬ চৎপদা লিভরপুলগী দিফেন্সিপ মিল্ডফিল্ডর ওইনা শান্নবা ব্রাজিল মচা ফাবিলহোনা য়াদ ২৫ লাপ্পা মফমদগী শাফু কন্না কাওশিনখিবা বোল অদু নেটকী ওইথংবা কাচিনদা চঙদুনা গোল একাউন্ট হাঙখ্রবা মতুং মিনট ১৩ চৎপদা এন্দ্রিয়ু রোবার্টসননা য়েৎথংবা ৱিংদগী মহাক্কী টিম মেট মোহমদ সলা তম্না খায়রকপা বোল অদু সলানা চেনশিলক্তুনা ক্রোশিং অদু মহাক্কী মকোক্না নীংথিনা শমজিন্দুনা সিটিগী গোল কিপ্পর ব্রাবোবু মায়থিবা পীদুনা টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপগী মিনট ৫১ চৎপদা য়ুম্বুগী কেপ্টেন জোরদান হেন্দরসননা য়েৎ থংবা ৱিংদগী খায়রকপা ক্রোশিং অদু মানেনা সিটিগী দিফেন্দরশিংগী মার্কিংদগী নাম্থোক্তুনা য়ুম্বুগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। সিটিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু বিনালদো সিলভান্‌া মেটচকী মিনট ৭০ চৎপদা চনখি।

লীগ অসিগী নুমিৎ অসিদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা ৱালভরহামন্ট ৱান্দরসনা এষ্টোন তবিলাবু গোল ২–১ দা অদুগা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ব্রাইতনবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

## রন্নস অপ তাহৌরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা বিহার বেদমিন্টন এসোসিয়েসন অমদি বগালপুর দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিয়েসননা পূন্না শীন্দুনা থা অসিগী ৬ তগী ১০ ফাওবা বগলপুরদা লৈবা বগলপুর ইন্দোর মেদমিন্টন হোল, গৌরান পিরবলা চোকতা পাঙথোকখিবা ৩২ শুবা নেস্লেল সব–জুনিয়র মেদমিন্ট চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯গী চহী ১৩ মখা নুপামচাগী সিঙ্গলসতা মণিপুরগী হেমাম মলেমঙানবনা অনীশুবা অমসুং মেটিক রোহেন থিয়ামনা অহুমশুবা পোজিসন তাহৌরে।

ঙরাং শান্নখিবা চহী কাঙলূপ অসিগী ফাইনেলদা অসিস নেগীনা মলেমঙানবা সিংহ হেমামবু ১১–২১, ২১–১০, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা সেমি ফাইনেলদা মলেমঙানবনা মেটিক রোহে থিয়ামবু ২১–১২, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীখি।

## থাংমৈবন্দনা শিংজমৈ কাঙখূৎপু মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েংমখাদা গোপাল দেব কাঙখূৎ য়াইস্কুলনা শীন্দুনা টিম ৭ না শরুক য়াদুনা গোপাল দেব কাঙশঙদা চথরিবা ৫ শুবা শ্রী শ্রী গোপাল দেব চহী ৬০ মথক্কী সুপর লীগ কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা থাংমৈবন্দ কাঙখূৎ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শিংজমৈ কাঙখূৎ অমদি থাংমৈবন্দ কাঙখূৎনা শান্নখিবা মেটচতা থাংমৈবন্দনা শিংজমৈবু পাঞ্জল ১৭–১৬ মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা থাংমৈবন্দ কাঙখূৎকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৫ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১২ স্কোর তৌখি।

অদুগা মায়থিরবা শিংজমৈ কাঙখূৎগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৮ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৮ স্কোর তৌখি।



থাংমৈবন্দ কাঙখূৎগী কাঙলোয়শিং অদুদি – এস দ্রোরেন্দ্রো, ঐচ কুমার, টি ঐচ ব্রজামনি, ঐচ লালা, টি ঐচ জয়েন্ত, এস বিরেন, এন নবাধিপ, তোম্বী অমদি তাটি সিংহনি।

শিংজমৈ কাঙখূৎগী কাঙলোয়শিং অদুদি– এল লালহরি সিংহ, এল ইনাও শর্ম্মা, এন্ কান্ত, ও ইবোহল সিংহ, ও নবাদিপ, এস শ্যামসুন্দর অমদি এল নবাকান্তনি। শান্নখিবা মেটচ অসি গোগুল শর্ম্মানা অম্পিয়র ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং এল কে কে ও কাঙখূৎ অমদি বমদিয়র কাঙখূৎ নম্বোলগা শান্নগনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com